**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-09-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৫-০৯-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুখিবনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী মফম খরদা ঈশিং থুমজিনবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে।

২) অসাম রাইফলসনা মিজোরমদগী লূপা কোতি ৭ লাক্ষ ১১ রোমগী মেথামফেতামাইন তেরেল্লেটশিং ফারে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কোলকতাদা ১৬ শুবা কম্বাইন কম্মান্দর্সশিংগী মীফম হৌদোক্কনি।

**------**

**নোং (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুখিবনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী মফম খরদা ঈশিং থুমজিনবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। হৌজিকসু মখা তানা জিলাশিং অসিগী মফম খরদা ঈচাউ নংখিবা অমদি ঈচাউগী অৱাবা মায়োকবা মফমশিং লৈরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ইরিল তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলক্লি। তুরেল অসিগী ঈমাই খুদোংথিবা য়াবা থাক্তা চেনবনা মরম ওইরগা তুরেল অসিগী তোর্বানদা খুন্দারিবা মীয়ামশিংদা তুরেল তোর্বান কাইদুনা ঈচাউ থোক্লক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈরে।

অমরোমদা, রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈশিংগী ঈমায় কুপা শেন্নরি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল ইম্ফাল সেন্টরগী পাউনা হায়রি- ঙসি রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। হয়েং ফাওবদনা- সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল জিলাশিং অসিদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। মণিপুর সরকারগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্চ বিভাগকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ঙরাং ফাওবদা নোনে জিলাদা শাবগী চাং অসি খ্বাইদগী ৱাংনা চাদা ২৮.২ ওইখি। অদুগা, উখ্রুল জিলাদনা খ্বাইদগী নেম্বা চাংদা চাদা ১৯.৩ শাখি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক য়াওনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিল থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাকা চেকপোইন্ট ১১১ হাংদোকখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ত্রাফিক রুল থুগাইবশিং ঙাক্তুনা চৎহন্নবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী গারি ৭ তা নপ্লম্বা তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা মিজোরমদগী লূপা কোতি ৭ লাক্ষ ১১ রোমগী শেনফমগী চাং ওইগদবা মেথামফেতামাইন তেব্লেটশিং ফাগৎলে। পোৎলমশিং অদু অসাম রাইফলসনা ভৌকতিকাই জোখাওথারগী ৱার্ল্ড বেঙ্ক

লম্বীগী শরুক্তগী ফাখিবনি। ফারবা পোৎলমশিং অদু জোখাওথার পুলিস স্তেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

তামেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মেদিকেল কেম্প অমসুং ফর্ষ্ট এইদ ত্রেনিং প্রোগ্রামগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জিলাশিং অসিগী ৱারিয়াংবা, ভনচেংফাই, নামকাউলোং অমসুং তামৈ খুলশিং অসিদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদু মফমশিং অসিগী মীয়ামা অনা লায়েংগা মরী লৈননা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবা পান্দমদা পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুরনা লৌবা ২০২৬ কী ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষাদা সবজেক্ট খুদিংমক্কী নত্রগা সবজেক্ট অমগী ইমপ্রুভমেন্ট, ইমপ্রুভমেন্ট কেন্দিদেটস, কেজ্য়েল কেন্দিদেট অমসুং প্রাইভেট কেন্দিদেট কেটাগোরিদা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট ওনলাইনদা প্রিন্সিপাল নত্রগা ইন্সটিট্যুসনগী মকোকশিংনা ফাইনগা লোয়নননা সবমিট তৌবগী মতম থা অসিগী ১৭ ফাওবা শাংদোক্লে। কেন্দিদেটশিংনা মমাংগী হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসনগী মার্কসিট অমদি এদমিট কার্দকী ফোটো কোপিশিং মখোয় মখোয়গী প্রিন্সিপালশিং নত্রগা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মকোক্তা পীশিনগদবনি। প্রাইভেট কেন্দিদেটশিংগী ওইনা হায়রিবা দোকুমেন্টশিং অসি কাউন্সিলগী ওফিসতা পীশিনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কোলকতাদা ১৬ শুবা কম্বাইন কম্মান্দর্সশিংগী মীফম হৌদোক্কনি। মীফম অসিগী কুমসি চহগী হীরমদি-‘ ইয়র ওফ রিফোর্মস-ত্রান্সফোর্মিং ফোর দ ফ্যুচর’ হায়বসিনি। মীফম অসিদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহসু শরুক য়াগনি।

মদুগী তুংদা, শ্রী মোদিনা বিহারগী পুর্নিয়া এয়রপোর্টকী নৌনা শাবা তর্মিনেল বিল্ডিং শঙ্গাগনি। মদুগা লোয়নননা, লূপা কোতি লিশিং ৩৬ রোমগী

তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি অমদি খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি। লোয়ননা, প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। মহাকা বিহারদা নেসনেল মাখানা বোর্ড হৌদোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং অসামদা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৫৩০ রোমগী ওইগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি উদ্যোগকী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখি।

শ্রী মোদিনা ঙরাং গুৱাহাতিদা রিং রোড প্রোজেক্ট, ব্রহ্মপুরত্র তুরেল মথক্তা শাবা থোং অমগী যাত্রাসু হুনখি। মদুগী তুংদা শ্রী মোদিনা গোলাঘাটতা নুমালিগর রিফাইন রি-প্লান্টতা অসাম বাইও ইনফোরমো প্রাইবেট লিমিটেদ শঙ্গাখি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতিদা শকাইরবা শৈশকপা অমদি ভারত রতা-ডা: ভুপেন হজারিকাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন পালন থোরমদা শরুক য়াখি।

মদুগী মমাঙদা, নুমিৎ অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মিজোরম অমসুং মণিপুরদসু লাক্তুনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাবগা লোয়ননা প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ উয়ুং তমখি।

**জি.এস.টি ঃ** শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারামননা হায়রি-জি.এস.টি নেক্স জেনরেসন রিফোর্মস হৌদোকপদগী পোৎচৈশিংগী চাদা ৯৯দা লৌরম্বা জি.এস.টিগী চাং হান্না চাদা ১২ ওইরম্বদগী চাদা ৫ দা হন্থরে। মন্ত্রিনা ঙরাং চেন্নাইদা পাঙথোকপা ত্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ এসোসিয়েসনগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা হায়-লাক্লিবা দিৱালি দুর্গা পুজা অমসুং নবরাত্রি কুম্মৈগী মাংওইননা পুথোক্লিবা জি.এস.টি ২.০ অসিনা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা কান্নবা পীরগনি। শ্রীমতি সিতারামননা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--সিতারামন**

**নেপালঃ** নেপাল সরকারনা থা অসিগী ৮ অমসুং ৯ দা লৈবাক অদুদা চথখিবা জেন জি খোঙজংদা লৈখিদ্রবশিংবু মার্তিয়র্স ওইনা শকখঙলে হায়না

লাউথোকখ্রে। নৌনা প্রধান মন্ত্রি ওইরবা সুসিলা কারকিনা ফম অসি হেক পায়বগা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। মহাকা হায়-খোঙজং অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা ক্ষেত্রিপুরোন ওইনা লূপা লাক্ষ ১০-১০ পীরগনি।

**বোক্সিংঃ** লিভরপুলদা থা অসিগী মরীদগী হৌদুনা চত্থরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৫গী নুপীগী ফাইনেল বাউট অমদা ভারতকী বোক্সর মিনাক্সি হুদানা মাই পাক্তুনা লৈবাক অসিগী ওইনা অনিশুবা সনাগী তকমান লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৭কী ফাইনেলদা ভারতকী বোক্সর জস্মিন লম্বোরিয়ানা পেরিস ওলেম্পিক গেমস ২০২৪গী সিলভর মেদলিষ্ট পোলেন্দগী সেরমেতা জ়লিয়াবু ৪-১ দা মাইথিবা পীদুনা সনাগী তকমান অমা ফংবা ঙমখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চুখিবা নোংনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী মফম খরদা ঈচাউ থোকখিবগী পাউ, চুরাচান্দপুরদা নৌনা থোকখিবা ইরাংগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি- তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌরদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ পাউচেশিং অসিগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

অকনবা নোংনা মণিপুর শলাক শারে, চীংসু নিংখাইরে, লম্বীসু য়াদ্রে,

লৌসু থুমজিল্লে, তুরেলসু থল্লে হায়বা পাউ অমদি চুরাচান্দপুরদা নহাশিং নৌনা ইরাং হৌরকখ্রে, পুলিস স্তেসনদা লান্দাখ্রে, নুমিদাংদসু ইরাং হৌরকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ পাউচেশিং অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

মণিপুরগী মীয়াম্বু লূপা কোতি লিশিং ৭,৩০০ প্রোজেক্টনা লৈবা য়াব্রা হায়না পি.চিতম্বরমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা চংশিল্লক্লিবা ইনফিলত্রেতরশিংবু চংজফম পীরম্বা মীওই অমত্তা লেমা থারোই হায়না ফোঙদোকখিবা অমদি রিমস ইম্ফালগী ৫৪ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা রিমসনা মণিপুর মীয়ামগীদমক শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি হায়বা ৱাফমা- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। রিমসকী ৫৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল পাউচেশিং অসিদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি। চুরাচান্দপুরদা ইরাং থোকখিবগী পাউ অসি মোর্নিং বেল পাউচেদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি । পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

প্রাইম মিণিষ্টর লাকপগী অকে অমৌ থুগাইরুবা মীওই থাদোরকবা কুকিশিং ইরাং হৌখ্রে, জর্নেলিষ্টতা হরাসমেন্ট পীরকপগী চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা কন্দেম তৌরক্লি হায়বা পাউনা- সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মদ্রাজ হাই কোর্টকী জস্তিস এম সুন্দরনা মণিপুর হাই কোর্টকী চিফ জস্তিস ওইনা ফম পুরগনি হায়বা পাউ- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

রাজ্য অসিদা ওইরিবা নোংজগী ফিভমনা মরম ওইরগা দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা মীয়ামা চেকশিল থৌরাং লৌখৎনবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে হায়বা পাউ-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাড লোইজরে--**